# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী লাইটিং সেরেমোনিগী থৌরম টোকিও সিটিদগী পাঙথোকপা হৌখ্রে

টোকিও, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়েথোরক্লবা জপাননা যূম্নু ওইরগা লৈবাক অদুগী কোনুং টোকিওদা থা অসিগী ২৩দগী হৌননবা শেম শারিবা ওলিম্পিক গেমস অসিগী মৈরা মীয়ামদা উৎনবগীদমক্তা ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংনা ঙসি টোকিও সিটিদা লাইটিং সেরেমোনি পাঙথোকখ্রে।




টোর্চ রিলেগী লাইটিং সেরেমোনি অদু জপান লৈঙাক্লা ঙরাং ওগষ্ট ২০ ফাওবা ভাইরস ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবা মতুং ওলিম্পিক্স অসি পাঙথোক্লনবগী পায়খৎলকপা থৌরমশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ঙরাং জপানগী কোনুং টোকিওদা মরিরকশুবা ভাইরস ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবনি। মহাক্কী খোঙথাং অদু টোকিও সিটিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্টগী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী চেকশিন থৌরাং ওইনা লৌখৎলকপনি। অদুবু লৈঙাক অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ভাবোক য়াওদবা ওলিম্পিক গেমস অমা মপূং ফানা পাঙথোক্লনবা শিল্লকপগী মনুং চন্না ঙসি ওলিম্পিককী মৈরা অদু হান্না লৈরিবা মফমদগী মৈ লৌদুনা রিলে চৎপগী লাইটিং অদু তৌখিবনি।

পনবা য়াই, কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা জপানগী কোনুং টোকিও খক্তা নৎতনা অতোপ্পা সিটিশিংদা ওলিম্পিককী মৈরা পুদুনা চৎকদবা মতম অমদি মফমশিং অদু হঞ্জিন-হঞ্জিন লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা য়েথোক্তুনা লাকপনি। চহী অসিগী মার্চ থাদা ওলিম্পিককী মৈরা অদুগী রিলে চৎপা হৌরকপদা লৈঙাক্লা অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং হেনগৎলকপদগী ফাজিন্দুনা থমখিবনি।


মরক অসিদা, ওলিম্পিক গেমসকী হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিওদা লৈরিবা নেসনল ষ্টেদিয়মদা ওলিম্পিককী মৈরা অসি মতম চানা য়ৌরক্কনি নৎত্রগা য়ৌরক্লোই হায়বগী তংদাংবা অমা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি, জপান লৈঙাক অমসুং টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা মীরমগী ভাবোকশিং য়াওদনা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোক্কনবা পায়খৎলকপা থবকশিংগী মখা তারকপদা হৌজিক-হৌজিক টোকিও সিটিদা অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্টকী কেস মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা লৈঙাক্লা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবগা লোয়ননা জপান লৈবাক্কী ভাবোকশিংসু ওলিম্পিক গেমসকী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং শান্নগদৌরিবা অদু মীৎয়েং তাবা য়ারোইদবগী তাঞ্জা অমা লাক্লি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপগী অচৌবা মরমদি য়ুগান্দাগী মেম্বর অমদি সর্বিয়াগী মেম্বর পোজিটিভ ওইরকপদগীনি।

# চেককী প্লিসকোভা নুপীগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, নুপাগীদা ইটালিগী বেরেটিনি ফাইনেল চঙখ্রে




লন্দন, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): চেক রিপব্লিককী নুপীগী শান্নরোয় কেরোলিনা প্লিসকোভানা ঙসি শান্নখিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগীদা ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিসু সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙখ্রে।





চহী অসিগী ৩শুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা সেমীফাইনেলদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী বেলারুসকী এরিনা সভালেনকাগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরগা সেট ২-১দা মায় পাকপা ঙমদুনা ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

প্লিসকোভানা সভালেনকাগা শান্নরকপা সেমীফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট সভালেনকানা গেম ৭-৫দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদুদা প্লিসকোভানা চেকশিন্না শান্নরক্তুনা সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নরবা মতুং দিসাইদিং সেটতা অনীশুবা সেট অদুগী স্কোরগা মান্নবা সভালেনকাগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইদুনা ফাইনেলদা বার্টিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা মমিং লৈরবা শান্নরোয় স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪শুবা সিদেদ পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাজগা লম্বা তৌনখিবা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিনা সেট ৩-১দা মেটচ অদু মায় পাক্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেটতা মাটিও বেরেটিনিনা হুবর্ট হুর্কাজকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা ইটালিগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা সেট অদু খূদুম চন্দুনা হুর্কাজগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌরগা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং অদু হোল্ড তৌবা ঙমদুনা ৬-০দা থোইরগা সেমীফাইনেল মেটচ অদু মহাক্না সেট ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহুমশুবা সেটতা পোলেন্দগী শান্নরোয় হুবর্ট হুর্কাজকী মায়কৈদগী ইটালিগী মাটিও বেরেটিনিগী মশান্নশিং অদু হীরম খূদিংমক্তা লম্বা পীরক্তুনা গেম ১২ শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা হেনবা ঙম্নদবদগী গেম ৬-৬ লৈনদুনা টাই ব্রেক শান্নরকখি। টাই ব্রেক অদুদা হুর্কাজনা পোইন্ট ৭-৩দা থোইদুনা মেটচ অদু হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনখি। সেট ২-১দা মাঙজিল থারিবা ইটালিগী বেরেটিনিনা ৪শুবা সেট অদুদা হুবর্ট হুর্কাজকী অশোনবা মফমশিং য়েংদুনা এটেক তৌশিল্লকপদগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

# মোদিনা ওলিম্পিক্স য়াওগদবা শান্নরোয়শিংগা ৱারী শানগদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৩দগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংগা থা অসিগী ১৩দা ভর্চ্যুএল ওইবা মওংদা থৌনা পীবা ওইনা ৱারী শানগদৌরি।

নরেন্দ্র মোদিনা ৱারী শাগদৌরিবা অসি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিট ১২০ শরুক য়াগদৌরিবা অসিগী মনুংদা অহানবা বেটচ ওইনা জুলাই ১৬তা খোঙশানগদৌরিবা অদুগী নুমীৎ হুম্নি মাংওইননা ৱারী শানগদৌরিবনি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱারী শানগদৌরিবা অদু হকথেংনবগী খূদোংচাবা লৈতবা মরম্না ভর্চ্যুএল ওইনা ৱারী শানগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী অহানবা ওলিম্পিক শরুক য়াগদৌরিবা এথলিটশিংগী বেটচ অদু এয়র ইন্দিয়াগী চার্টর ফ্লাইট অমদা জুলাই ১৬তা ইন্দিয়া থাদোক্কদৌরি। মসিগী মাংওইননা অহানবা বেটচ অদু খক্তা নৎতনা অতোপ্পা মফম কয়াদা পর্ফোর্মেন্স ফজবা উৎপা ঙম্নবগীদমক ট্রেনিং চত্থরিবা এথলিটশিং অদুবুসু থাগৎপা অমদি থাজবা পীবগী ৱাফমশিং অদু প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা জুলাই ১৩দা ভর্চ্যুএল ওইনা ফোঙদোক্কদৌরিবনি।

জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা এথলিট ১২০না শরুক য়াগদৌরিবা অসি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কন্টিঞ্জেন্ট ওইরি।

# ইন্দিয়াগী শুটর ১৫গী কন্টিঞ্জেন্টনা হান্না লৈখিবা পুৱারীগী রেকোর্দ থুগায়বা ঙম্ননবা অচূম্বা মওংদা শেম শাদুনা লৈরি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): জপাননা যূম্নু ওইরগা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শুটিং দিসিপ্লিনদা শরুক য়াগদৌরিবা শুটর ১৫না মমাংদা ইন্দিয়াগী ওইবা ওলিম্পিক্সকী শুটিং পুৱারীদা থমখিবা ফজবগী রেকোর্দ অদু থুগায়দুনা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্ননবা অকনবা মওংদা শেম শারি।



ইন্দিয়াগী শুটিং পুৱারীদা অভিনাব বিন্দ্রনা কুমজা ২০০৪ এথেন্স ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্দিভিজ্যুএল গোল্ড মেদল ফংখিবনি। মহাক্কী মতুংদা ২০০৮ বৈজিং ওলিম্পিক গেমসতা রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী রেপিদ ফায়র পিষ্টোলদা বিজয় কুমারনা সিলভর অমসুং গগন নারংনা এয়র রাইফল ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি। মখোয়না পূন্না গোল্ড মেদল ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ ফংদুনা হৌজিক ফাওবদা শুটিং পুৱারীদা ওলিম্পিক্সকী ওইনা মেদল ৪ ফংবা ঙম্লি।

টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা নহা ওইরিবা শুটর কয়া য়াওবা কন্টিঞ্জেন্ট অসিনা হান্না ইন্দিয়াগী লৈরিবা শুটিংগী ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংবগী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙম্বা হোৎনরি। লোয়ননা ঙম্বগী অচৌবা লম্বেলসু লৈরি হায়না শুটিং দিসিপ্লিন অসিদা নৈনবা ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মমাংগী ওলিম্পিকশিংদা য়াওখিদবা মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অচৌবা মেদল ফংবা য়াবগী থাজবা থল্লি। মখোয়শিংগী মনুংদা এয়র পিষ্টোলদা চহী ২০ শুদ্রিবা প্যের সৌরব চৌধরি অমসুং মনু ভাকর য়াওরি। মখোয় অনীমক মিক্স টিম খক্তা নৎতনা মশা-মশাগী ইন্দিভিজ্যুএল কম্পিটিসনশিংদসু তোঙান-তোঙানবা মালেমগী ওইনা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট কয়াদসু মকোক থোংবা ঙমদুনা লাক্লি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা থা ৬ হেন্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইদুনা লাক্লবা নহা ওইরিবা অদুগা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতনা অনীশুবা সিদেদ শুটর ওইনা শরুকয়াগদৌরিবা দিভিয়ান্স পনৱরগী মমিং মেদলদা পানরি। নুপীগী কাঙলূপ্তা এয়র রাইফলগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ইন্দিয়াগী এলাভেনিল ভলারিবনগী মমিংসু মীয়াম্না কন্না পানরিবা অমনি।

কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবা এয়র পিষ্টোলগী শুটর সৌরব চৌধরিনা মখা তানা শরুক য়ারকপা কম্পিটিসন কয়াদসু মহাক্কী পোজিসন অদু হন্থহন্দনা লৈরি। ইন্দিয়াগী শুটিংগী লম্বেল অসি রসিয়াগী কোচ পাবেল স্মিরনোভনা মপূং ফানা পুখৎলকপনি। মহাক্কী মীৎয়েং মখাদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী শুটরশিংনা মেদল য়াম্না লৌরক্কনি হায়না থাজনরি।

# চহী ২৩ মখাগী এসিয়া কপ ফুটবোল ক্বালিফায়রদা ইন্দিয়া গ্রুপ ঈদা লৈখ্রে

টাস্কেন্ট, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): উজবেকিস্থাননা কুমজা ২০২২গী ওক্টোবর ২৩দগী ৩১ ফাওবা চহী ২৩ মখাগী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ ঈদা লৈখ্রে।

গ্রুপ ঈদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিং অদুদি, য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস, ওমান অমসুং কিরগিস রিপব্লিকনি। ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা করম্বা টিমনা করম্বা গ্রুপতা লম্বা তৌনগদগে হায়বদু ঙসি দ্রো তৌখিবনি হায়না এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। উজবেকিস্থাননা যূম্নু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ২৩ মখাগী এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৪২না গ্রুপ ১১দা শরুক য়াদুনা মফম ১৫ কন্নবা হোৎনগদৌরিবনি। যূম্নু ওইরিবা উজবেকিস্থানদি মাংজৌনন্না ক্বালিফাই ওইখ্রবা মরম্না মখা তাবা টিম ১৫ খনগদৌরিবনি।

গ্রুপ ১১ অসিগী মকোক ওইবা টিমশিং অদু ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। লোয়ননা গ্রুপ ১১ অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা পোজিসনদা লৈহৌবা টিম ৪ খনগৎলগা পূন্না টিম ১৫না ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিদগী ফাইনেল রাউন্দ চঙনবা হোৎনগদৌরিবনি।

কুমজা ২০১৩গী চেম্পিয়ন ইরাকনা গ্রুপ সীদা বাহরেন, অফঘানিস্থান অমসুং মালদিভসকা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ এদা সিরিয়া, কটার, য়েমেন অমসুং স্রি লঙ্কা য়াওরি। গ্রুপ বিদনা ইরান, টাজিকিস্থান, লেবানন অমসুং নেপাল য়াওরি। গ্রুপ দিদা সাউদি অরাবিয়া, বাংলাদেশ, কুৱেট অমসুং উজবেকিস্থান শান্নগনি। গ্রুপ জিদা চাইনা, ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ব্রুনে য়াওরি। গ্রুপ ঐচতা সাউথ কোরিয়া, সিঙ্গাপোর, ফিলিপিন্স অমসুং টিমোর শান্নগনি। গ্রুপ আইদা ভিয়েটনাম, ম্যান্মার, হোং কোং অমসুং চাইনিজ টাইপৈ লৈরি। গ্রুপ জেদা মোঙ্গোলিয়া, থাইলেন্দ, মালেসিয়া অমসুং লাউস, লোয়ননা গ্রুপ কেদা নোর্থ কোরিয়া, জপান অমসুং কম্বোদিয়া শান্নগনি।

# ওলিম্পিক্সতা অফবা গ্রুপতা তারবসু মেদল ফংনবা হোৎনবদা অরাইবা অমা ওইরোই : সিন্ধু

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংবগী অকনবা থাজবা থল্লিবী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক্কী গ্রুপ অদু কা-হেন্না অরিংবা টিম য়াওদ্রবসু মেদল ফংনবা হোৎনবদা অরাইবা থবক অমদি ওইরোই হায়রি।




কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী অদুগা হৌজিক-হৌজিক নুপীগী বেদমিন্টনগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী পি ভি সিন্ধুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা গ্রুপ জেদা হোং কোংগী স্বেং ঙান য়ি (রেঙ্ক ৩৪) অমসুং ইজরেলগী কেসনিয়া পোলিকার্পোভা (রেঙ্ক ৫৮)গা লম্বা তৌনগদৌরি। হোং কোংগী শান্নরোয়শিং অসি তরাই-তরাই লৌবা য়ারোই হায়না সিন্ধুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অমগী মহুৎ শিন্দুনা লাক্লিবা শান্নরোয় খূদিংমক মখোয়গী খ্বাইদগী ফজবা মওংদা ওলিম্পিক শরুক য়াবা লাকপনি। মরম অদুনা মঙোন্দগী থাক হন্থবা শান্নরোয়শিংনা গ্রুপ অমদা লৈরে হায়রগসু ওলিম্পিক অসিগী মেদল ফংনবা হোৎনবদা অরাইবা থবক অমদি ওইরোই। মরম অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী মেটচ খূদিংমক্কী ওইনা চেকশিন্না শান্নরবা মতুং লাক্কদবা রিজল্ট অদু য়েংগদৌরি হায়না মখা তাখি। ওলিম্পিক্সতা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী গ্রুপ জেদা মায়োক্লগদৌরিবা শান্নরোয় অনীমক মমাংদা মথংশিংনা মেটচ ৫ অমসুং ২ মায়োক্লবদা মেটচ খূদিংমক মায়থীবা পীখিবনি। ওলিম্পিক শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ বি সাই প্রনিট গ্রুপ দিদা ৱর্ল্ড নম্বর ২৯ নেদরলেন্দসকী মার্ক কালজো অমসুং ইজরেলগী জিলবরমেনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

# এফ আই ঐচনা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমবু ইনভাইট তৌরক্লে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসন (এফ আই ঐচ)না মালেমদা নুপীগী হোক্কী মশান্না অসি হেন্না চাউখৎনবগীদমক্তা মথংগী সিজনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স প্রো লীগ হোক্কী টুর্নামেন্টতা টিম ৮না লম্বা তৌনগদৌরিবা কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী টিমবুসু ইনভাইট তৌরক্লি।

ৱিমেন্স নেসন্স কপ হায়রগসু মিংথোনবা টুর্নামেন্ট অসি ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসনগী ওইনা মালেমগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ১০শুবা পোজি-সনদগীনা ২০ শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা লৈবা টিমশিংগী ওইবা টুর্নামেন্টনি। ইন্দিয়াগী টিম অসি হায়রিবা থাক অসিগী মথক্তা লৈখ্রবসু কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর ১০দগীনা ১৭ ফাওবা স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তা ইনভাইটেসন পীরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা যূম্নু ওইরিবা স্পেন অমসুং ইন্দিয়া থারগা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা টিমশিং অদুদি, কানাদা, আয়রলেন্দ, ইটালি, জপান, কোরিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকানি।

এফ আই ঐচকী মায়কৈদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স নেসন্স কপ অসিগী পান্দমদি হোক্কী প্রো লীগতা য়াওবা ঙমদবা টিমশিং অদুগী মরক্তুগী মকোক থোংবা টিম অদু খনগৎলগা প্রো লীগতা য়াওননবা খোঙথাংনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা টিম অদুনা কুমজা ২০২৩-২৪ এফ আই ঐচ ৱিমেন্স হোক্কী প্রো লীগতা প্রমোসন ফংগদৌরিবনি। এফ আই ঐচকী মায়কৈদগী রোয়ল স্পেনিশ হোক্কী ফেদরেসনননা অহানবা ৱিমেন্স নেসন্স কপ পাঙথোক্লবগীদমক্তা লৌখৎপা খোঙথাংশিং অসিগীদমক সী ঈ ও থিয়রি ৱেলসনা থাগৎলক্লি।

# বিয়োর্ন কুইপর্সনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোলগী ফাইনেলদা অহানবা দটচ রেফরি ওইগদৌরি

ৱেমব্লে, জুলাই ০৯ (এজেন্সী): লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমীৎ অসিগী নোংয়াই মতুংদা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা লৈবা ৱেবব্লে ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপ কন্টিনেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা যূম্নু ইংলেন্দ অমসুং ইটালিগা শান্নগদবা অদুদা অহানবা ওইনা নেদরলেন্দস মচা বিয়োর্ন কুইপর্সনা লৈবাক অদুগী অহানবা রেফরি ওইনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌগদৌরি।

ৱাফম অসি য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ঈ এফ এ)গী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকপনি। কুইপর্সনা মশাগী করিয়র হৌরকপদা নেদরলেন্দসতা পাঙথোকপা দটচ লীগশিংদা মেটচ কয়া ওফিসিএট তৌরবা মতুং কুমজা ২০০৬তা ইন্টরনেসনল রেফরিগী থাক্তা প্রমোসন ফংখিবনি।




নোংমাইজিং নুমীৎকী ফাইনেল মেটচ অদুদা রেফরি ওইবগী খূদোংচাবা ফংগদৌরিবা অসি থারগা মহাক্কী করিয়রদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসননা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংগী ফাইনেল মেটচ ৭শুবা ওইনা ওফিসিএট তৌগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, নেদরলেন্দস মচা বিয়োর্ন কুইপর্সনা মমাংদা য়ুরোপা লীগ ফাইনেলসকী মেটচ ২ ওফিসিএট তৌবা ঙমখ্রে। লোয়ননা চেম্পিয়ন্স লীগ ফাইনেল মেটচতসু রেফরি ওইনা থৌদাং লৌখি। মহাক কুমজা ২০১২ অমসুং ২০১৬কা লোয়ননা হৌখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অনীদা রেফরিজ টিমদা মরু ওইবা ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি। চত্থরিবা য়ুরো টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্লা গ্রুপ ষ্টেজদা মেটচ ২ ওফিসিএট তৌখ্রবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমসু ওফিসিএট তৌখি।

**EMPLOYMENT NEWS**


- **IMPHAL BRANCH :-** Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
- **SAMUROU BRANCH :-** Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
- **MOIRANG BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **THOUBAL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2
- **NAMBOL BRANCH :-** Office Asst.-2, Grade IV-2

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

HL-B/6970/28/6-18/7

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 165**

**Woehl, Ulrike (1594) - Stephan, Anna (1929)**
**GER ch g18 Oberhof (3), 1999.05.24**

1.d4 Nf6 2.Nf3 g6 3.g3 Bg7 4.Bg2 d6
5.c4 O-O 6.O-O c6 7.Nc3 Qa5 8.e4 Bg4
9.h3 Bxf3 10.Qxf3 Nfd7 11.Qd3 Qb4 12.Rb1 Na6
13.Be3 Nc7 14.Rfc1 c5 15.Ne2 a5 16.Qc2 Ne6
17.Rd1 cxd4 18.Nxd4 Nxd4 19.Bxd4 Rac8 20.b3 b5
21.Bxg7 Kxg7 22.Qb2+ f6 23.cxb5 Qxb5 24.Rbc1 Qh5
25.Rd5 Qh6 26.Rxc8 Rxc8 27.Rxa5 Rc1+ 28.Kh2 Ne5
29.h4 Ng4+ 30.Kh3 Rg1 31.Kxg4 Rxg2 32.Kf3 Rg1
33.Ra7 Kf7 34.Qd4 Qh5+ 35.Ke3 Re1+ 36.Kf4 g5+
37.hxg5 fxg5+ 38.Kf5 Qf3+ 39.Kxg5...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 164 Ans. :**
18. ...Qa7 19.g4+ Kxg5 20. h4 +Kf4 21.Nce6+ Kxg4 22.Rag1+ Kh5 23.Nf4+
23. Rg5+ Kh6 24. Nf7#
23. ...Kh6 24.Nf7#
19. g4 +Kxg5 20.h4+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com